## চাইনিজ এয়রলাইনশিংনা কম্পেন্সেসন তানখ্রে

বৈজিং, মে ২২ (এজেন্সি):
৭৩৭ এম এ এক্স জেটশিং শীজিন্নবা লেপখিবা অমসুং প্লেনশিং অসিগী দেলিভরিদা মতম চোন্থদুনা শেলগী অমাঙবা চাওনা থোকহনবগীদমক্তগ চাইনাগী খ্বাইদগী চাওবা এয়রলাইন অহুম্না য়ু এসকী প্লেন মেকর বোইং কোদা কম্পেন্সেসন পীবিনবা হায়জখ্রে।

চাইনিজ ষ্টেট টিলিভজনগী পাউনা হায়, এয়র-চাইনা লিমিটেদ অমসুং চাইনা সাউর্দর্ন এয়রলাইন্স কো লিমিটেদনসু চাইনা ইষ্টর্ন এয়রলাইন্স কোপ লিমিটেদকী মতুংদা বোইংদা কম্পেন্সেসন পীয়ু হায়না তকশিনখ্রে।

হৌখিবা মার্চতা ইথিওপিয়াদা ৭৩৭ এম এ এক্স প্লেন অমা কায়দুনা অতোংবা মীওই ১৫৭ শিখিবা মতুংদা প্লেন মখল অসিবু শীজিন্নবা লেপখিবা অহানবা লৈবাক চাইনানা ওইখি। ৭৩৭ এম এ এক্সকী সোফৱেয়র অমসুং ট্রেনিংগী প্রপোজেলশিং রিভিয়ু তৌনবা মীফম পাঙথোক্লিঁ ঙৈদা কম্পেন্সেসন পীনবা হায়জখিবনি।

## ইন্দোনেসিয়াগী মীখল মতুংগী ইরাংদা প্রোটেষ্টর ৬ শিরে



জর্কাতা, মে ২২ (এজেন্সি):
পাক শন্না অরান-অহুইশিং তৌখি হায়না মরাল কয়া শীন্নখিবা ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্টকী মীখলদা জোকো ৱিদোদোবু অমুক হন্না মায় পাক্লে হায়না লাউথোরকপদা য়ানিংদবা উত্তুনা চথুরকখিবা প্রোটেষ্ট মনুংদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৬ শিখ্রে অমসুং অতে ২০০ রোম্না অশোক-অপন নংখ্রে।

হৌখিবা এপ্রিল ১৭ তা পাঙথোকখিবা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্টকী মীখলগী জেনরেল ইলেক্সন কম্মিসন (কেপিয়ু)না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোরকখিবা রিজল্টশিংনা প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা মহাক্কী লম্বা ওইরিবা হান্নগী জেনরেল প্রবোৱো সুবিয়ন্তোবু মায়থিবা পীরে হায়না কনফার্ম তৌখিবা মতুংদা ইরাংশিং অদু থোক্লকখিবনি।

প্রোটেষ্টৈশিং অদুদা মীওই ৬ শিখ্রে হায়বসি জকার্তাগী গভর্নর এনিস বাস্বেদাননা কনফার্ম তৌখি। ইরাং অদুগা মরী লৈননা য়ামদ্রবদা মীওই ৬০ ফারে হায়না পুলিস সোর্সশিংনা ইফে ন্যুজদা ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদগী হৌরগা য়ুমশকৈশাগী অয়ুক ফাওবা চথুখিবা প্রোটেষ্টৈশিং অদুদা দেমোন্সট্রেটরশিংনা ইলেক্সন সুপরভাইজরি এজেন্সি অমসুং ইলেক্সন কম্মিসনগী হেদ ক্বার্টরসকী মপান্দা পুনখি অমসুং মখোয়না গাড়ি কয়া মৈ থাখি। পুলিসনা মখোয়বু টিয়র গ্যাস শীজিন্নদুনা তানখায়নবা হোৎনরকপদগী খোইরাং খোইশাওনরবা প্রোটেষ্টরশিংনা গাড়ি কয়া মৈ থাবা হৌখিবনি।

মীখলদা অরান-অহুই অমসুং নমথাক্কী থৌওং কয়া চথুখি হায়রদুনা মীখলগী রিজল্টশিং অদুবু কন্সটিট্যুসনেল কোর্টতা শীংনগনি হায়না লাউথোকখিবা মায়থিবা নংলবা প্রসিদেন্টসিএল কেন্দিদেন্ট প্রাবোৱো সুবিয়ন্টোগী সপোর্টরশিংনা ঈংনা-চিক্লা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্ট অমা লোইশিল্লকপদা মীশি-মনাগী ইরাং অদু থোকখিবনি। য়ুমশকৈশাগী অথেংবদা মখা তানা থোক্লকপা য়াবা প্রোটেষ্টৈশিংগী মাওইননা ইলেক্সন বোদি অনীগী হেদ ক্বার্টরস অদু বার্ব ৱেয়র অমসুং রাইওৎ ভেহিকলশিং থমজিনবগা লোয়ননা ওফিসর ৩২,০০০ রোম্না ঙাক শেন্দুনা থমখ্রে হায়রি।

নেসনল পুলিসকী স্পোক্সপর্সন দেদি প্রাসেৎয়োনা হায়, জকার্তাদা চঙশিনখিবা মীওই ১,৩০০ রোম মখা তানা প্রোটেষ্ট চথুনবগী পান দমদা মোস্কশিংদা চঙদুনা লৈশিনখ্রে। ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা টেরর এটেক্ট কয়া চথুরকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা খঙহনখিবগা লোয়ননা দেমোন্সট্রেসন মনুংদা এটেক্ট কয়া চথুনবা থৌরাং তৌরম্বগী মরালদা রেদিকেল কয়ামরুম ফাগৎখি হায়রি।

## কেমিকেল খুৎলায় শীজিন্নে হায়বা ৱাফমদা য়ু এসনা সিরিয়াদা ৱার্নিং তৌখ্রে



ৱাশিংটন, মে ২২ (এজেন্সি):
সিরিয়ন রেজিমগী লুচিংবা প্রসিদেন্ট বাসর অল-অসাদকী ট্রুপশিংনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কেমিকেল খুৎলায়শিং শীজিন্নখি হায়বা ৱাফমশিংগী মতাংদা ৱাশিংটন্না কুপ্না য়েংশিল্লি হায়রদুনা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্ট সিরিয়াদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

হৌখিবা মে ১৯ গী অয়ুক্তা নোর্থ ৱেষ্ট সিরিয়দা ক্লোরিন এটেক্ট অমা চথুখিবগী ৱাফম য়াওনা অসাদ রেজিম্না কেমিকেল খুৎলায়শিং শীজিন্নবা অমুক হৌরক্লে হায়বগী খুদম চাংদম কয়া ঐখোয়না উবা ফংলে হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সপর্সন মোর্গন ওর্টাগসনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা সী এন এননা হায়খি।

ওর্টাগসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অসিগী মতাংদা ঈ-পাউ কয়া খোন্বগী থবক চথুরি। তৌইগুম্বসুং অসাদ রেজিম্না কেমিকেল খুৎলায়শিং শীজিন্নরবদি য়ু এস অমসুং ঐখোয়গী মীচংশিংনা য়াম্না থুনা অমসুং মতিক চাবা মওংদা পাউখুম পীগনি হায়বা ৱাফম অসিগী ঐখোয়গী মায়কৈদগী অমুক হন্না থল্লি।

অসাদকী ফোর্সশিংনা কেমিকেল খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা এটেক্ট কয়া চথুখিবগী রিপোর্ট খরগী মতুং কুমজা ২০১৭ অমসুং কুমজা ২০১৮ দা প্রদিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্টেসন্না সিরিয়ন রেজিমগী টার্গেটশিংদা লমন খুন্বগী ষ্ট্রাইকশিং চথুনবা ওর্দর তৌখিবনি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রসিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা য়ু এস ইন্টলিজেন্স ওফিসরশিংগী লমজিং মখাদা রাকা সিটিদা ট্রেন তৌরবা স্পেসলিষ্টশিং য়াওনা সিরিয়ন রেবেলশিংবু সিরিয়ন রেজিমদা মরাল শীবা য়ানবা ইদিলিবতা কেমিকেল খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা এটেক্ট চথুনবা থৌরাং তৌরি হায়না মরাল শীখিবনি। রসিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাফম অসি অসাদ রেজিম্না কেমিকেল এটেক্ট কয়া চথুবা য়ানবা লান্না পাউ শন্দোকপগী কেম্প্যান অমনি হায়না ওর্টাগসনা ফোঙদোকখি।

## টেন্সন হন্থহন্নবা ইরাক্না ইরান, য়ু এসতা টিমশিং থারগনি



বাঘদাদ, মে ২২ (এজেন্সি):
মিদল ইষ্টতা উংখৎনবা হন্থহন্নবা ইরাক্না য়ু এস অমসুং ইরানদা দেলিগেসনশিং থারগনি হায়না ইরাকি প্রাইম মিনিষ্টর অদেল অব্দুল মাহদিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাক্না উংখৎনরিবা পার্টিশিংগা অৱাংবা থাক্তা পাউ ফাওনরি অমসুং ৱাশিংটন অমদি ইরানগী মরক্তা ঈং-তপ্পা ফিভম অমা লাকহন্না ঐখোয়না লৌখৎপা য়াবা খোঙথাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনরি। তৌইগুম্বসুং খোঙথাং অসি ৱাতেন্বগী থৌরাং অমদি নত্তে হায়না অব্দুল মাহদিনা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর মহাদিনা প্রেস কনফরেন্স অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এস অমসুং ইরানিয়ন ওফিসলশিংনা মখোয়দা লান শোক্ন নিংবগী ৱাখল লৈতে হায়না থাজবা পীরক্লে। য়ু এস এম্বেসিগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না হৌখিবা মে ১৫ দা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা বাঘদাদতা লৈবা এম্বেসিদা থবক তৌরিবা-ইমর্জেন্সি ইমপ্লোয়িশিং লোয়ননা ঈর্বিলদা লৈরিবা য়ু এস কোন্স্যুলেটকী ইমপ্লোয়িশিং ইরাক থাদোক্লবা ওর্দর তৌখ্রে।

মিদল ইষ্টতা ইরান্না শৌগৎপা ফোর্সশিংনা অকিবা কয়া পীরকপা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী ইরাক অমসুং সিরিয়াদা লৈরিবা য়ু এস ফোর্সশিং মীৎকুপ নাহুম শীংনা লৈহনখ্রে হায়না মমাংদা য়ু এস মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রবনি।

ইরানগী প্রসিদেন্ট হসন রোহানিনসু লৈবাকপোকপা নুমিত্তা য়ু এসকা ৱারী শান্নবা য়াবগী ওইথোকপা ফিভম অমদা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা য়ু এসনা ইরানগী ওইল ইমপোর্টশিংদা লৈহল্লম্বা ৱেভরশিং লৌথোকখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিলগা মরী লৈনবা টেহরানগী নন-প্রোলিফরেসনগী থবকশিংদ ইনৌ নৌনা অথিংবা কয়া লাউথোকখি অমসুং পর্সিয়ন গল্ফতা নেভি ষ্ট্রাইক গ্রুপ অমা অমসুং বোম্মর কয়া থাজিনখি। ইরানগী মায়কৈদগী লমদম অদুদা কিহল্লকপগী চাং ৱাংলক্লে হায়না ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট খরনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা য়ু এসনা খোঙথাংশিং অদু লৌখৎখিবনি।

## দ্যুটর্টেনা ফত্ত-হৌদিশিং কনাদাদা থাখিনবা ওর্দর তৌখ্রে




মনিলা, মে ২২ (এজেন্সি):
কনাদানা থারকখিবা ফত্ত-হৌদি ময়ামগী কন্টেনর ৬৯ লৈবাক অসিদা অমুক থাদোকখিনবা প্রাইভেট সিপ্পিং কম্পেনি অমা নেক্লবা অমসুং করিগুম্বা কনাদানা ফত্ত-হৌদিশিং অদু লৌশিল্লু য়াদ্রগনা লৈবাক অসিগী ঈশিংগী শরুকশিংদা থল্লম্নবা ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেনা মহাক্কী গভর্নমেন্টতা ওর্দর তৌখ্রে। ৱাফম অসি মহাক্কী স্পোক্সমেন্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখিবনি।

মনিং তম্বা সোভরেন লৈবাক অমা ওইনা ফিলিপিন্সপু অতে মপানগী লৈবাকশিংনা অমোৎ-অকায়গা পাংখক ওইনা উরোইদবনি হায়না প্রসিদেন্সিএল স্পোক্সমেন সলভাদর পানেলোনা মিদিয়া ব্রিফিং অমদা হায়খি।

অমরোমদা, কনাদানদি কুমজা ২০১৩ অমসুং কুমজা ২০১৪ গী মরক্তা ফিলিপিন্সতা থাখিবা ফত্ত-হৌদিশিং অদু কনাদিয়ন গভর্নমেন্টনা বেক তৌদবা কম্মর্সিএল ট্রাঞ্জেক্সন অমনি হায়রি।

কনাদানা মতম কয়াগী মমাংদা ফত্ত-হৌদিশিং অদু লৌশিল্লগনি হায়না থাজবা পীখ্রবা মতুংদা লৈবাক অনীনা পোৎশকশিং অদু কনাদাদা অমুক পুবা য়ানবগী প্রোসেস অমা চথুনদুনা লাকখিবনি। তৌইগুম্বসুং ফত্ত-হৌদি কন্টেনরশিং অদু লৌশিনবা মনিলানা পীখিবা মে ১৫ গী দেদলাইন অমা কনাদাগী মায়কৈদগী ঙাকপা ঙমখিদবগা লোয়ননা ফিলিপিন্সনা লৈবাক অসিগী টোপ দিপ্লোমেটশিং হৌখিবা চয়োলদা কনাদাদগী লৌথোকখি।

অসিগুম্বা ফিভম অসিনা কনাদানা ইশ্যু অসিবু নংত্রগা ঐখোয়গী লৈবাকপু করিমত্তা লুনা লৌদে হায়বসি উথোকচরে। কনাদানা লৈবাক অসিবু অমোৎ-অকায় পৈশিনফম মফম ওইনা লৌদুনা ফিলিপিন্সকী মীয়ামবু অদুক্কী মতিক ইকাইবা পীরে হায়না পানেলোনা হায়খি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদা মনিলাদা লৈবা কনাদিয়ন এম্বেসিদগী কমেন্ট লৌনবা হোৎনবদা এম্বেসি অসিনা খুদক্তা রেস্পোন্দ তৌরকখিদে হায়রি। কুমজা ২০১৬ গী কোর্ট রুলিং অমনা ফত্ত-হৌদিশিং অদু কনাদাদা হন্দাকখিগদবনি হায়না য়াথং পীখিবদগী ৱারেপ তাখিবদগী ফিলিপিন্সনা কানাদাদা দিপ্লোমেটিক খুৎথাংদা কয়ারক হন্না প্রোটেষ্ট তৌখ্রবনি।

## য়ু এসকী অল্টিমেটম ক্রেম্লিন্না কন্দেম তৌখ্রে



মোস্কো/অঙ্কারা, মে ২২ (এজেন্সি):
টর্কিবু রসিয়ানা শাবা এস-৪০০ সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইল সিষ্টেমশিং লৈবগী দিল অমা কেন্সেল তৌহল্লগা মদুগী মহুত্তা য়ু এসকী পেট্রিয়ট মিসাইল সিষ্টেমশিং ওইনা নমদুনা লৈহন্নবগী মওংদা য়ু এসনা টর্কিদা অল্টিমেটম পীখিবগী খোঙথাং য়াফম থোক্তে হায়রদুনা ক্রেম্লিন্না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ু এসকী থৌওং অদুবু কন্দেম তৌখ্রে।

ৱাশিংটন্না টর্কিদা রসিয়ন দিল অদু কেন্সেল তৌনবা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা পেট্রিয়ৎ মিসাইল সিষ্টেমস লৈনবগী খুৎলায়গী দিল অমা য়ানবা নৎত্রগা অকনবা পেনাল্টিশিং মায়োক্ন নবা চয়োল অনী খরা হেনবগী মতম পীখ্রে হায়বা সী এন বি সীগী রিপোর্ট অমগী পাউখুম ওইনা মোস্কোনা য়ু এসকী থৌওংশিং অদুবু কন্দেম তৌখিবনি।

অঙ্কারানা নাটোগী সিষ্টেমশিংগা চান্নরোইদবা এস-৪০০ মিসাইলশিং লৈনবা ৱারেপ লৌখিবা য়াওনা ৱাফম কয়াগী মতাংদা টর্কি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়েৎনদুনা লাকখিবনি।

ৱাশিংটন্না হায়রি মদুদি, করিগুম্বা রসিয়ন দিল অদু শোয়দনা থবক্তা ওম্থোরকপা তারবদি মদুনা লোকহিদ মার্টিনগী এফ-৩৫ ফাইটর জেটশিং শাবদা টর্কিনা লৌগদৌরিবা থৌদাংদা চাওনা অকায়বা পীরক্কনি। সী এন বি সীগী রিপোর্ট অদুগী মতাংদা য়ুমশাকৈশা নুমিত্তা পাউমীশিংনা হংবদা ক্রেম্লিনগী স্পোক্সমেন দমিট্রি পেস্কোভনা হায়খি মদুদি, রিপোর্ট অদুদ পল্লিবা য়ু এসগী থৌওং অদু অদুক্কী মতিক পুক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইদে। অসিগুম্বা অল্টিমেটমশিং য়াফম থোক্তে হায়না ঐখোয়না লৌই অমদি ঐখোয়না এস-৪০০ দিলগী মতাংদা প্রসিদেন্ট ইর্দোগন্না লুচিংবা টর্কিস গভর্নমেন্টকী মীহুৎশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মতুং ইন্না থবক তৌগনি।

পনবা য়াবদি, টর্কিস গভর্নমেন্টকী মীহুৎ কয়ানা রসিয়ন মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমস অদুবু লৈবগী দিল মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌরগনি হায়না মমাংদা ফোঙদোকখ্রবনি। চৈরকসিদা রসিয়ানা শাবা মিসাইল সিষ্টেম লৈবগী মতাংদা য়ু এসনা থল্লকপা য়াবা অথিংবা কয়াগীদমক্তা অঙ্কারানা শেম শারি হায়না টর্কিগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। এফ-৩৫ ফাইটর জেটশিং লৈবগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ৱারী শান্নবদা খুমাং চাওশিনবা ঙম্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। কাউন্টরিং অমেরিকাস এদভর্সরিজ থ্রু সেঙ্কসন্স এক্ট (সী এ এ টি এস এ)কী মখাদা ৱাশিংটন্না অঙ্কারাদা দিল অদু মপুং ফাহন্নবা মখা তাবা থবকশিং পায়খৎলকপা তারবদি অঙ্কারানা অথিংবশিং মায়োক্নরকনি হায়না চেকশিনৱা হায়খিবদা টর্কিগী মায়কৈদগী প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী থবকশিংদা মায় ওনশিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

## সাউথ অফ্রিকাদা গ্যাস লিক ওইবদগী মীওই মরি শিরে

কেপ টাউন, মে ২২ (এজেন্সি): কেপ টাউনদা লৈবা প্লাষ্টিক রিসাইক্লিং কম্পেনি অমদা গ্যাস লিক ওইরকপদগী মীওই মরি শিরে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে। এক্সিদেন্ট অদু ৱার্করশিংনা অন্দরগ্রাওন্দ টেঙ্ক অমা শেংদোক্লিঙৈ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিলগী মতমদা থোকখিবনি হায়রি।

## লেজর পোইন্টর এইম তৌরম্বা ১ ফারে

টোকিয়ো, মে ২২ (এজেন্সি): টোকিয়োগী চিদায়দা লৈরিবা য়াকোতা এয়র বেজ মনাক্তা পাইরিবা য়ু এস মিলিটরি এয়রক্রাফ অমদা লেজর পোইন্টর অমনা এইম তৌরমখি হায়বগী চিংনবদা য়ুম্ফম ওইরগা অমা ফারে হায়না পুলিসনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়োসিনোরি সিগেকাৱা কৌবা মীওই অদু হৌখিবা ফেব্রুৱারি ১১ গী নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তাবদা এয়র বেজ অদুগী মনাক্তা পাইখিবা সী-১৩০ জে ট্রান্সপোর্ট প্লেন অমদা মহাক্না গ্রিন লেজর বিমশিং কাপশিন্দুনা য়ু এস মিলিটরি পার্সনেলশিংবু নমদুনা ট্রেনিং এক্সসাইজ লেপহনখি হায়বগী মরালদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফাগৎখিবনি । এয়র বেজ অদুগা নক্লনা লৈবা পাকিং এরিয়া অমদগী সিগেকাৱানা প্লেন অদুদা টার্গেট তৌখি হায়রি।

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 199/AS&SO/TBL, dt: 15-05-2019**

Laishram Ibochaoba Singh S/o (L) L. Gouro Singh of Khangabok Awang Leikai.

...Applicant.

-Vs-

(Late) Laishram Ibomcha Singh S/o L. Sanajao Singh of Khangabok Awang Leikai.

...Opponent.

/ **NOTICE**
21/05/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩-খাঙবোক পাট্টা নং ১৫১৩ (অরিবা) ২৮৩৩ (অনৌবা) দাগ নং ৫৬০০ এরিয়া .৩২৫০ হেক্টর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা লাইশ্রম ইবোমচা সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা দংকারি লাইশ্রম ইবোচৌবা সিংহগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Government of Manipur

HL-P/4177/23

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVERNMENT OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 198/AS&SO/TBL, dt: 15-05-2019**

Ningthoujam Nabakumar Singh S/o (L) N. Sanakhomba Singh of Thoubal Awang Leikai

...Applicant.

-Vs-

(Late) Ningthoujam Sanakhomba Singh S/o (L) N. Toyaima Singh of Thoubal Awang Leikai.

...Opponent.

/ **NOTICE**
21/05/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ২৮- থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং ৭২৯, ২৬১ (অরিবা) ১১৩০ (অনৌবা) দাগ নং ৬১২৭ এরিয়া .০৬২৪ হেক্টর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং ১শুবা নিংথৌজম স্নাখোম্বা সিংহ মৃতু ওইখ্রে। মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা দংকারি নিংথৌজম নবাকুমার সিংহগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Asst. Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Government of Manipur

HL-P/4177/23

**/মীতৈ লায়েং**

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীংকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীভৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তেন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফমবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

Phone No. **9612225582**
HL-B/5364/28/4-28/5

**Regd. No. 4277 of 82 April**
**DR. N. IBOHAL MEITEI,**
**State & National Awardee**

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/5403/21/5-20/6

1ST BATCH
S3 STEPS TO SURE SUCCESS COACHING CENTRE
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
RUN BY WELL QUALIFIED, LONG TERM EXPERIENCED TEACHER WITH WELL KNOWN GUEST FACULTIES
ADMISSION OPEN : FOUNDATION COURSE FOR CLASSES : IX, X, XI & XII
Subject Offer are : MATHEMATICS, SCIENCE, SOCIAL SCIENCE
ENGLISH FOR CLASSES IX AND X - BOSEM/CBSE
MATHEMATICS, PHYSICS, CHEMISTRY, BIOLOGY, ENGLISH FOR CLASS - XI AND XII
CLASS COMMENCING FROM 06TH MAY, 2019
Separate Classes for CBSE and COHSEM
* ONLY 20 STUDENTS PER CLASS PER BATCH *
Special Features :
- THEORY WITH PRACTICAL TEACHING METHOD
- SUPPLY STUDY MATERIAL FOR EACH UNIT
- REGULAR UNITWISE TEST SERIES
- REGULAR COUNCELLING BY EXPERTS
- VAN SERVICE
- SEPARATE HOSTELS FOR BOYS AND GIRLS
- UNDER STRICK SUPERVISION BY EXPERT TEACHER
ALSO AVAILABLE REGULAR COURSE FOR NEET CHEMISTRY.
"Come for study not as Fashion"
CLASS TIMING :
MORNING
4:30 TO 7 A.M.
EVENING
4:50 TO 7:50 P.M.
Please Contact :
9856331259,
7005158667.
HL-B/5335/12/4-10/6